# অল-শাবাবনা সোমালিয়াগী কেপিটেল মোগাদিসুদা লৈবা হোটেল অমদা এটেক তৌখ্রে, মীওই ১৪ শিখ্রে

মোগাদিসু, জুন ২৬ (এজেন্সী) :

সোমালিয়াগী সিসাইদ কেপিটেল মোগাদিসুদা লৈবা হোটেল অমদা গনমেন কয়া থোমজিন্দুনা হোটেলদা লাকপা মীওই কয়া হোষ্টেজ ওইনা ফাজিন্দুনা থমখিবগা লোয়ননা অউবা মীওই খূদিংমক্তা নোংমৈ কাপখ্রে হায়রি।

গ্রেনেদ কয়াসু লংখিবা গনমেনশিং অদু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা তোপ ফ্লোরদা তানখৎতুনা পুং কয়াগী এটেক অদু লোইশিনখি হায়না পুলিস অমসুং ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকখ্রে। কিনিঙাই ওইরবা থৌদোক অদুদা মীওই ১৪ শিখি হায়রি।

মোগাদিসুদা পরিং নাইনা হোটেলশিংদা চথুরকখিবা এটেকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবা এটেক অদু ইস্লামিক গ্রুপ অল-শাবাবনা ক্লেম তৌখ্রে। থাংজ নুমিৎকী এটেক অদু চঙফম গেটতা মপাঙ্গল লৈরবা বোম অমা পোকখায়বগা লোয়ননা হৌখি।

"খুৎলাই পায়বশিংনা হোটেল পায়শিন্দুনা থল্লম্বদু মমৈথংদা ঐখোয়না লোইশিনহনখি। ইরোই লোইবদা লেমহৌরিবা মিলিটেন্টশিংদু ঐখোয়না হোটেলগী খ্বাইদগী মথক থংবা ফ্লোরদা হাৎখি" হায়না পুলিসকী কেপ্টেন মহম্মদ হুশৈইননা হায়খি।

নাসা-হবলোদ কৌবা হোটেল অদুগী য়ুমথক্তা স্নাইপরগী পোষ্টশিং শেমখিবা মিলিটেন্টশিংবু কোইশিল্লবা মতুংদা কেপ্টেন হুশৈইননা ৱাফমদু ফোঙদোকখিবনি। এটেক অদুদা গনমেন অদুনা শরুক য়াখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

"হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৪ শিরে হায়না কনফার্ম তৌরে। মখোয় অদুদি হোস্পিটালদা শিখিবনি" হায়না হুশৈইননা হায়খি। শিখিবশিংদুগী মনুংদা হোটেলদুগী মপানদা খট য়োন্দুনা লৈজবা নুপীশিংসু য়াওখি" হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হোষ্টেজ অয়াম্বা কনখি, মখোয়গী মনুংদা মীশি-মীনা থোকখিবগী ৱাফমদি খুদক্কী ওইনা খঙখিদে। পুলিস অমসুং মেদিকেল ৱার্করশিংনা হায়খি, এটেক অদুদা অতোপ্পা মীওই মাপনসু অশোক-অপন নংখি।

পুলিসনা হায়খি, এটেক অদু সুইসাইদ বোম্বর অমনা হোটেলগী চঙফম গেটতা বোম য়াওবা কার অমা পোকখায়হনবগা লোয়ননা হৌখি। গনমেনশিংনা নোংমৈ কাপ্প-কাপ্পা মনুংদা চঙশিনখি অমসুং মখোয়না ঙাইহাক্কী মনুংদা অউ-অউবা হোটেলগী গেষ্টশিংদা কাপ্পা হৌরকখি।

হোটেলগী লৈমায়দা ঈখেংনা পাখি। মীওই অনীগী অশিবা হকচাংশিং হোটেলগী অহানবা ফ্লোরদা তাদুনা লৈখি। অমনা হোটেলগী গার্দ মাল্লি অদুগা অতোপ্পা অদুনা মিলিটরি য়ুনিফোর্ম শেৎলি, এটেক্করসু মাল্লি হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোকখি।

হোটেলগী ফক্লাংশিংদা নোংমৈ মরুনা পানবগী অকায়বা মফমশিং উখি। সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা হোটেলগী অমম্বা মরক্তা বোমনচিংবা কোয়থি থিখি।

অলি মহম্মদ কৌবা ৱিটনেস অমনা হায়খি, এটেক্করশিংনা হোটেলদা লাকপশিংদা মথোং মরম খঙদনা নোংমৈ কাপখি। "তশেংনা হায়রবদা মখোয়না মমীৎনা উবা ফংবা মীওই খূদিংমক্তা কাপখি। ঐহাক মনিংথোঙ ফাওরগা নাম্থোকখি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

য়ুসুফ অলি কৌবা এম্বুলেন্স দ্রাইভর অমনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, এটেক অদুদা শোকখিবা মীওই ১১ মহাক্না হোস্পিটালশিংদা পুখৎখি। মখোয় অয়াম্বা কাপ্পবদা শোকখিবনি।

সোমালিয়াদা বেজ তৌবা অল-কাইদাগা মরী লৈনবা অল-শাবাবনা সোমালিয়াগী মফম কয়াদা শাথিরবা মওং অমদা লাল হৌরকখি। মখোয়না মোগাদিসু অমসুং অতৈ মফমশিংদা লৈবা সিক্যুরিটি কনবা টার্গেটশিংদা সুইসাইদ কার বোম এটেকশিং তোয়না চথখি।


জুনগী অঙনবা শরুক্তা কেপিটেলদা লৈবা হোটেল অমা এক্সট্রিমিষ্ট গনমেনশিংনা অহিং চুপ্পা পায়শিন্দুনা থমখি। অল-শাবাবনা ক্লেম তৌখিবা এটেক অদুদা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর অনী য়াওনা মীওই ১৫ শিখি।

খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা এটেক অদু মুস্লিমশিংগী শেংলবা থা রেম্মদন মনুংদা চথুরকখিবনি। থা অসিগী মনুংদা ঈরাং লৈবা ইষ্ট অফ্রিকাগী লৈবাক অসিদা এক্সট্রিমিষ্টশিংনা এটেক তৌবগী চাং হেনগৎলকখি।

"মখোয় 'অলাহু অকবর' হায়না লাউদুনা লাকখি অমসুং মখোয়না মায়কৈ খূদিংমক্তা নোংমৈ কাপখি" হায়না মনিংথোঙদা ফাওরগা নাম্থোকহৌখিবা হোটেলগী ষ্টাফ অমনা হায়খি। খুৎ হল্লকপা য়াই হায়না কিবদগী মহাক্না মশাগী মশক মমিংদি তাকথোকখিদে। "মখোয় মী হাৎপা অমসুং ঈখেং তাহনবদমক পাম্বা ফৎত্রবশিংনি" হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।



# ঈ য়ুগী মিনিষ্টরশিংনা বৃটেনবু য়ুনিয়নদগী য়াম্না থুনা তোকখিনবা তকশিনখ্রে



বর্লিন, জুন ২৬ (এজেন্সী) :

পুৱারীদা লৈহৌরগদবা রেফরেন্দম অমা পাঙথোক্তুনা বৃটিশ মচাশিংনা মখোয়গী লৈবাক্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু)দগী তোকপগী ৱাফম শৌগৎতুনা ভোট পীখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন অদুবু হৌদোকখিবা লৈবাক তরুক্কী ফোরন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমা হৌখিবা থাংজদা পাঙথোকখ্রে অমসুং বৃটেনবু য়ুনিয়ন অদুদগী য়ারিমখৈ থুনা তোকখিনবগী প্রসিজরশিং হৌজিনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখ্রে।

"মসিগী প্রোসেস অসি য়ারিমখৈ থুনা হৌগদবনি" হায়না জর্মন ফোরন মিনিষ্টর ফ্রেঙ্ক ৱাল্টর ষ্টাইনমাইয়রনা থাংজ নুমিৎতা মহাক্কী লৈবাক্কী কেপিটেল বর্লিনদা ফ্রান্স, ইটলি, নেদরলেন্দস, বেলজিয়ম অমসুং লুকসমবর্গকী মহাক্কী লেং মান্নবশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা হায়খি।

"ঐখোয়গী পান্দমদি মতম শাংনা চনৈনবা, লৈখায় তাদবগী ফীভম লৈহন্দবনি" হায়না মহাক্না মখা তাখি।

"ঐখোয়না য়াম্না থুনা হৌরগনি" হায়না ফ্রান্সকী ফোরন মিনিষ্টর জোন মার্ক এরোল্টনসু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, প্রোসেস অদু য়ুনিয়নগী আর্টিকল ৫০গী মখাদা হৌগদবনি। বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর দেভিদ কেম্মরননা মসিগী রেফরেন্দম অসি হৌখিবনি অদুনা হৌজিক্তি মহাক্না মদুগী মখা তাবা ফলশিংগা লোয়ননা লৈগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী কোলিগশিংগা লোয়ননা মহাক্না "য়ুরোপ হিংদুনা লৈরি" হায়বগী সিগ্নেল অমা থারগনি হায়না এরোল্টনা হায়খি।

চৈরকসিদা, ওফিসল অদুনা বৃটেনদা পৱার থুনা শীন্নবসু তকশিনখ্রে। মহাক্কী লৈবাক্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপদা ভোট পীখ্রবা মতুং ইরাই নুমিৎতা কেম্মরননা মফম থাদোকপগী ৱাফম লাউথোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং কঞ্জার্ভেটিব মীফম পাঙথোক্কদবা ওক্টোবর ফাওবদি থবক পুখিগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর দেভিদ কেম্মরননা মফম থাদোক্নবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা ফাইনান্সিয়েল ষ্টেবিলিটি, ফাইনান্সিয়েল সার্বিসেস অমসুং কেপিটেল মার্কেটসকী রেস্পোন্সিবিলিটি পায়রিবা বৃটেনগী য়ুরোপিয়ন কম্মিস্নর জোনাথন হিলসু মহাক্কী ফমদগী রিজাইন তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়না থাংজ নুমিৎতা য়ুরোপিয়ন কম্মিসন্না থাদোকখিবা প্রেস রিলিজ অমনা হায়খি।

চৈরকসিদা, ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ফ্রান্সুআ ওলান্দনসু য়ু কেনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্কবা শেম শাবগী থবক হৌদুনা ব্লোক অদুদা লৈহৌরিবা মেম্বরশিংবু রিফোর্ম কয়া পুরক্কবা হোৎনবদা মায় ওনশিনহনগদবনি হায়খ্রে।

"বৃটিশ মীয়াম্না ঈ য়ু থাদোক্কবা ৱারেপ লৌখ্রে। মসি অৱাবগী মশক ওইরবা চোইস অমনি অমসুং মসিগী মতাংদা ঐহাক্সু নুংঙাইতবা অমসুং পেন্দবা পোকই" হায়না ওলান্দনা পেরিসতা হায়খি।

"য়ু কে অসি ঈ য়ুগী মেম্বর অমা ওইনা মখা তানা লৈররোই অমসুং ব্রিটিশিংদা ইদুনা লৈরিবা প্রসিজরশিং য়াম্না থুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লগনি।"

য়ু কেগী ভোট অসিনা ঈ য়ুবু য়াম্না কনবা চাংয়েং অমা তৌরি। মসিনা ঐখোয়বু ঈ য়ুনা মতিং লৈনা থবক তৌবা ঙমদবদা মীৎয়েং চিংশিনহল্লি লোয়ননা মসিনা য়ুরোপিয়ন প্রোজেক্টতা মীয়ামগী থাজবা লৈরক্তবগী ফীভম অমা উহল্লি হায়খি।

# সেন্ট্রেল চাইনাদা বস মৈ চাকপদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শিখ্রে



বৈজিং, জুন ২৬ (এজেন্সী) :

সেন্ট্রেল চাইনাদা ঙসি অচৌবা বস অমা লম্বীগী নাকলদা য়ৈশিন্দুনা অহৌবা মখোলগা লোয়ননা মৈরি চাউনা চাকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শিখ্রে হায়না ষ্টেট মিদিয়ানা ফোঙদোক্লি।

হুনান প্রোভিন্সতা মথোং মরম খঙদনা এক্সিদেন্ট থোকপদা মৈজাও হৌনা চাকখিবা বস অদুদা পুন্না মীওই ৫৬ তোংখি হায়না ওফিসল সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা হায়খি। এজেন্সীনা অশিবা মীগী মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

অশোকপা পেসেঞ্জর ২১ হোস্পিটালশিংদা পুখৎখ্রে অমসুং বসতুগী দ্রাইভরদুসু ফাগৎখ্রে হায়না সিনহুৱানা হায়খি।

ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর সী সী টি ভীনা ওনলাইনদা থাদোরকখিবা ভীদিওদা অমুবা মৈখু মপৈ মপৈ মৈ চাক্লবা বস অমদগী কাখৎলকপগা লোয়ননা পেসেঞ্জরশিংনা মনাক্তা লেপ্লগা য়েংদুনা লৈবগী শক্তমশিং উৎখি। বস অদুনা লম্বীগী নাকলদা লৈবা গার্দ রেল অমদা কন্না য়ৈশিনবদা থাউ য়ুরক্তুনা মৈ হৌরকখিবা ওইরম্লা য়াইহায়না লোকল ওফিসলশিংনা থাজৈ হায়না সিনহুৱানা ফোঙদোকখি।

ক্রাস অদুগী মরম শেংনা খঙবা ঙমদ্রি। ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না, চাইনাদা লম্বীগী এক্সিদেন্টশিং তোয়না থোকপগা লোয়ননা চহী খূদিংগী লৈবাক অদুগী লম্বীশিংদা মীওই ২৫০,০০০ হেন্না শি।

চাইনাদা লমশাং চেনবা বসশিংনা সিটিশিংগী মরক্তা চথোক-চৎশিন তৌনবা মীশিংগী শেল ইচঙ চঙদবা পাম্বৈ ওইনরি অমসুং বস ফার্মশিংগী মরক্তা শাথিবা মওংগী হিদান্নবা অমা লৈ হায়রি।

হন্দক চহী খরসিদা চাইনাদা বস মৈ চাকপগী থৌদোক হঞ্জিন হঞ্জিন থোকখিবগা লোয়ননা মী শিবসু তোয়না থোকখি।

কুমজা ২০১০দা ইষ্টর্ন চাইনাদা ষ্টীল ফেক্টরি ৱার্কর পুবা বস অমা অহৌবা মখোলগা লোয়ননা মৈরি থোক্লা মৈ চাপদগী পেসেঞ্জর ২৪ শিখি।

মসিগুম্বা ভেহিকল মৈ চাকপগী থৌদোক কয়াদি অতম্লনা চথবা এটেকশিং ওই হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা চহীদা চাইনাগী হাংজৌ সিটিদা বস অমা মৈ থাদুনা মদুদা তোংবা মীওই ৩০ হেন্না শোকহনখিবা মীওই অমা ওথোরিটিশিংনা হাৎখি।

কুমজা ২০১৩দা ইষ্টর্ন প্রোভিন্স ফজিয়নগী সিয়ামেনদা নুপা অমনা মৈ থাদুনা মশামক য়াওনা মীওই ৪৭ শিহনখি। হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী জুলাই ১দসু চাইনাগী জিয়ানদা সাউথ কোরিয়ন ২৬ অমসুং চাইনিজ অনী তোংবা বস অমা থোং মথক্তগী তুরেল মখাদা তাশিনখি। ফুট ৪৯ লুথবা তুরেল মখাদা তাশিনখিবদুদা বস অদুগী পেসেঞ্জর ২৮গী মনুংদা ৮ খুদক্তা শিখি অমসুং অতৈনা শোকখি।

# অমেরিকাগী ঈশিং ইচাওদা মীওই ২৪ শিখ্রে, প্রসিদেন্ট ওবামানা দিজাষ্টর লাউথোকখ্রে



ৱাশিংটন, জুন ২৬ (এজেন্সী) :

য়ু এসকী ৱেষ্ট ভির্জিনিয়া ষ্টেটতা ঈশিং ইচাও থোকপদগী শিখিবা মী মশীং থাংজগী অথেংবা ফাওবদা ২৬ য়ৌখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট বারক ওবামানা অচৌবা দিজাষ্টর থোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে অমসুং ফীভম থিনা শোক্লবা এরিয়া খরগীদমক্তা ফেদরেল গভর্ণমেন্টকী তেংবাঙ থাদোকহনখ্রে।

অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ, ইচাও, লেন্দস্লাইদ অমসুং মদস্লাইদশিংনা শোকহল্লবা মফমশিংদা লোকেল মীওইশিং অমসুং গ্রুপশিং লোয়ননা মরী লৈনবা ষ্টেটনা অৱাবা তারবশিংবু মতেং পাংনবা হোৎনরিবদুদা মতেং পাংবা ওইনা প্রসিদেন্টনা ফেদরেল তেংবাঙ ফংহন্নবা ওর্দর তৌখ্রে" হায়না হ্বাইট হাউসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

নুমিৎ কয়ানিমুক অকনবা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা ষ্টেট অদুদা ঈশিং ইচাও চাউনা থোক্লকখিবনি। ইমায় ৱাংলবা ঈশিংনা কার কয়া চেন্থোকখ্রে, মীওই চা কয়া বিল্ডিং মনুংদগী থোকপা য়াদনা লৈখ্রে অমসুং মফম কয়াদা ইলেক্ট্রিক পৱার সপ্লাই ককখ্রে হায়রি।

হোমলেন্দ সিক্যুরিটি অমসুং ইমর্জেন্সী মেনেজমেন্টকী ৱেষ্ট ভির্জিনিয়া দিভিজনগী মতুং ইন্না, থাংজগী নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা ষ্টেট অদুগী মফম কয়াদা মীওই ২১,৩০০ হেন্না মৈ ফংদনা লেনখি। য়ুম চা কয়া অমাঙ-অতা থোকখ্রে নৎত্রগা পুংথু-থুগাইখ্রে অমসুং লম্বী ৬০ হেন্না হৌজিক ফাওবা থিংজিন্দুনা লৈরি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

দিজিজনদুগী ফেসবুক পেজদা ৱেষ্ট ভির্জিনিয়াগী টাউন ক্লেন্দোনিমদা লৈনাংনা থল্লবা তুরেল অমগী লৈরাইদগী পাথোকপা ঈশিংশিংনা মনাক নকপা লৈকায় অমা পুংথুম থুমজিনবগী শক্তম উৎখি।

প্রসিদেন্ট ওবামানা দিজাষ্টর লাউথোকখিবদুনা গ্রীনব্রিয়র, কানাৱহা অমসুং নিকোলাস কাউন্টিশিংদা ইচাওনা শোকহল্লবশিংগীদমক্তা ফেদরেল ফন্দিং ফংহনখি।

ইচাও অদুদা থোকপা খ্বাইদগী নৌবা মী শিবগী পাউদু গ্রীনব্রিয়র কাউন্টিদগী লাকখি অমসুং হৌজিক ষ্টেট অদুদা ঈশিং ইচাও থোকপদগী শিখিবা মী মশীং ২৪ য়ৌরে হায়না ষ্টেটকী স্পোক্সপার্সন জেসিকা টাইসনা এ এফ পিদা হায়খি।

শিখিবশিংদুগী মনুংদা চহী ৮গী নুপামচা অমা য়াওখি। মহাক খোং অমগী মপান্দা মমাগা মচেগা লোয়ননা চৎলিঙৈদা পাথোরকপা ঈশিংনা চেন্থখিবনি হায়না লোকল ন্যুজ ষ্টেসন অমনা ফোঙদোকখি। পুং ৩ চুপ্পা থিরবা মতুংদা মহাক্কী হকচাং অদু ফংখি হায়রি।

ৱেষ্ট ভির্জিনিয়াগী গভর্নর আর্ল রে টোম্বলিনা থাংজ নুমিৎতা হায়খি, লোকল ইমর্জেন্সীগী টিমশিংনা মী কনবা অমসুং অৱা তেংবাঙ পীবগী থবকশিং চথুরিবদুদা মতেং পাংনবা নুমিৎতুগী মনুংদা নেসনল গার্দ মেম্বর ৪০০ দিপ্লোই তৌগনি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, দিজাষ্টর লাউথোক্লিবদুগী মখাদা ফেদরেল ইমর্জেন্সী মেনেজমেন্ট এজেন্সী (এফ ঈ এম এ)না থাদোকপা ফন্দনা দিজাষ্টর অদুদা ফীভম থিনা শোক্লবা মফমশিংগী য়াম্না তঙাইফদ্রিবা পোৎলমশিং ফংল্লুগনি। মেনেজমেন্টকী ৱেষ্ট ভির্জিনিয়া দিভিজনগী মতুং ইন্না, খ্বাইদগী ফীভম থিনা শোক্লবা কাউন্টিশিংদা ভোলন্টীয়র সেন্টরশিং লিংখৎলে।

ষ্টেট শিন-থুংনা রেদ ক্রোস সেন্টর অহুম অমসুং কম্ম্যুনিটি বেজ সেল্টর কয়া শেমগৎলে হায়না দিভিজন অদুনা ফোঙদোকখি।

"বিজনেস কয়া, মীওই কয়া অমসুং চর্চ কয়ানা অমত্তা ওইনা খুৎশম্নদুনা পোৎচৈশিং তাশিন্নবা হোৎনরি" হায়না টাইসনা হায়খি।

HL-B/3146/18/05-17/06



# EMPLOYMENT NEWS

**PRASAR BHARATI RECRUITMENT 2016 – 17 CONTENT MANAGER, SCROLL ASSISTANT & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 25 JULY**

**Prasar Bharati Recruitment 2016**

Prasar Bharti invites Applications for the post of 17 Content Manager, Scroll Assistant & Various Vacancies on contract basis. Apply before 25 July 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Content Manager
**No of Vacancy :** 06 Posts
**Pay Scale :** Rs. 25000/- (Per month)
**Post Name :** Scroll Assistant
**No of Vacancy :** 03 Posts
**Pay Scale :** Rs. 17000/- (Per month)
**Eligibility Criteria for Prasar Bharati Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Content Manager :** PG Degree/Diploma in Journalism/Production or Degree/Diploma in Computer Application.
**For Scroll Assistant :** Graduate in Mass Communication/Post Graduate in Journalism.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** As per Rules
**Job Location :** Delhi
**How to Apply Prasar Bharati Vacancy :** Interested candidates may apply in Plain Paper along with photocopies of Document in support of qualification & experience send to the Deputy Director(Admin), Room No 111, 1st floor, Tower-A, Doordarshan Bhawan, Copernicus Marg, New Delhi-110001 on or before 25.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date For Submission of Application Form :** 25.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://www.ddindia.gov.in/Information/Documents/Job-Opportunities/advt%20dt.%2022.06.2016.pdf

**PRASAR BHARATI RECRUITMENT – 27 ANCHOR-CUM-CORRESPONDENTS VACANCY – LAST DATE 08 JULY 2016**

Prasar Bharti invites Applications for the post of 27 Anchor-cum-Correspondents on contract basis. Apply before 08 July 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Anchor-cum-Correspondents
**No of Vacancy :** 27 Posts
**Pay Scale :** Rs. 33000/- (Per month)
**Eligibility Criteria for Prasar Bharati Recruitment :**
**Educational Qualification :** Graduate in any discipline having degree/diploma in Mass Communication/ Journalism or Graduate/Post Graduate in Mass Communication/Journalism) from a recognized university/reputed institution.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 21 years
**Job Location :** Delhi
**Application Fee :** Candidates Have to Pay Rs.400/- through Demand Draft in Favour of DDO of the respective Doordarshan Kendra, Prasar Bharati, payable locally.
**How to Apply Prasar Bharati Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with all the relevant documents send to the Individual RNUs. on or before 08.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date For Submission of Application Form :** 08.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://www.ddinews.gov.in/Opportunities/Documents/Anchor-Anchor-cum150616.pdf

**PRASAR BHARATI RECRUITMENT – 18 WEB ASSISTANT VACANCY – LAST DATE 01 JULY 2016**

Prasar Bharti invites Applications for the post of 18 Web Assistant on contract basis. Apply before 01 July 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Web Assistant
**No of Vacancy :** 18 Posts
**Pay Scale :** Rs. 20000/- (Per month)
**Eligibility Criteria for Prasar Bharati Recruitment :**
**Educational Qualification :** Graduate in any displine from a recognized university and knowledge of language for which applied and ability to type language on computer for which applied with good speed and fluency (minimum 30 w.p.m).
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 21 years
**Job Location :** Delhi
**How to Apply Prasar Bharati Vacancy :** Interested candidates may apply in plain paper along with all the relevant documents & two latest passport size photograph send to The Director, Extemal Services Division, All India Radio, Parliament Street, New Delhi-l10001 Or e-mail at directoresd@yahoo.co. in on or before 01.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date For Submission of Application Form :** 01.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://prasarbharati.gov.in/Opportunities/Employment/Documents/AIR%20-%20ESD%20Div-%20Language%20Interns%20Requirement.pdf

**PRASAR BHARATI RECRUITMENT – 38 LANGUAGE INTERN VACANCY – LAST DATE 01 JULY 2016**

Prasar Bharti invites Applications for the post of 38 Language Intern on contract basis. Apply before 01 July 2016.

**Job Details :**
**Post Name :** Language Intern
**No of Vacancy :** 38 Posts
**Pay Scale :** Rs. 20000/- (Per month)
**Eligibility Criteria for Prasar Bharati Recruitment :**
**Educational Qualification :** Graduate in any displine from a recognized university and knowledge of language for which applied and ability to type language on computer for which applied with good speed and fluency (minimum 30 w.p.m).
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 21 years
**Job Location :** Delhi
**How to Apply Prasar Bharati Vacancy :** Interested candidates may apply in plain paper along with all the relevant documents & two latest passport size photograph send to The Director, Extemal Services Division, All India Radio, Parliament Street, New Delhi-l10001 Or e-mail at directoresd@yahoo.co. in on or before 01.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date For Submission of Application Form :** 01.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://allindiaradio.gov.in/Oppurtunities/Tenders/Documents/ESD%20Language%20Interns%2023052016.pdf